## 'মিনিষ্টর শিনবা শিন্দবা হায়বসি সেন্টরগী লুচিংবশিংনা লেপ্পল্লক্দবনি'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১(ঐচ এন এস): হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টরশিং শিনবা শিন্দবা হায়বসি সেন্টরগী লুচিংবশিংনা লেপ্পল্লক্দবনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোয়সু ওইরিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈরোক্কী খাঙরোক্তা হৌজিক-হৌজিক শেমগৎ-শাগৎলিবা গভর্ণমেন্ট ইঞ্জিনীয়রিং কোলেজগী ফীভম য়েংশিনখিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা এম এল এ খরনা লাক্লিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনদা বি জে পিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবনি হায়দুনা মিনিষ্টরশিং শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরদা ইরকপা চেরোল অমদি সোসল মীদিয়াদা উবা ফংলে। অদুবু হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিং পূন্না ফম্মিন্নরগা খন্ন-নৈনবদি লৈত্রি। মিনিষ্টর ওইরগা ভোট কানি হায়বা লৈতে। মিনিষ্টর ওইদ্রবসু কাবা য়াই। লাক্কদবা জেনরেল ইলেক্সনদা বি জে পিনা মেজোরিটি ওইহন্নিংবগী অপাম্বা মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং অমদি পার্টি ৱার্করশিংদা লৈ। মিনিষ্টর লোইনা শিন্দোকসি, খরদা শিন্দোকসি হায়রবসু বি জে পি অসি দিসিপ্লিন লৈবা পার্টি ওইবনিনা চীফ মিনিষ্টর অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট তানরগা সেন্ট্রেল লীদরশিংনা লেপ্পল্লক্দবনি। তশেংনা পার্টিবু নুংশিবা ওইরগদি মিনিষ্টরবু ওইগেরা, এম এল এবু ওইগেরা পার্টিগী য়াইফনবা হায়রকপশিং অদু ঙাক্না চৎকনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ইন্টরনেসনল মৈতৈ-পাঙল কনভেন্সনগী প্রি কনভেন্সন কোলোকিয়ম পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (অমোকোক)না শীন্দুনা ঙসি সিটি কনভেন্সন সেন্টর কোনুং মমাঙদা ইন্টরনেসনল মৈতৈ-পাঙল কনভেন্সনগী প্রি-কনভেন্সন কোলোকিয়ম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংলদুনা অমোকোক্কী প্রসিদেন্ট এস এম জলালনা হায়খি, চহী তরেৎ খুন্তাকপগী মতমদা লমদমসিদগী মৈতৈ-পাঙল কয়া মপান লম কয়াদা চৎনখি। মালেমগী মফম কয়াদা খুন্দারিবা মৈতৈ-পাঙল ফুরুপকী মীহুৎশিং য়াওবা ইন্টরনেসনল মৈতৈ-পাঙল কনভেন্সন অসি ইম্ফালদা শীনবনি। ঙসি কনভেন্সন অসিগী মাঙওইননা প্রি-কনভেন্সন কোলোকিয়ম পাঙথোকপনি। কোলোকিয়ম অসিদা ৱারেপ কয়া লৌবগা লোয়ননা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল মৈতৈ-পাঙল কনভেন্সনদা পুথোক্কনি। বাংলাদেশ, অসামনচিংবা মফমশিংদগী লাকপা মৈতৈ-পাঙলশিংগী মীহুৎশিং য়াওনা কোলোকিয়ম অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি। মসিদা বাংলাদেশ, অসাম অমদি জিরিনচিংবা মফমদগী লাক্লিবশিংনা মফমশিং অদুদা থেংনরিবা সোসলগী অমদি ইকনমিগী ওইবা হীরম কয়া পাউদমগনি। মণিপুরগী মপান্দা লৈরিবা বাংলাদেশ অমদি অসামগী ইচিল-ইনাওশিং অদুনা মফমশিং অদুদা লৈরিবা ফীভম অসি করম্বা মওংদা লৈরি হায়বদু পাউদমগনি। অৱা-নুংঙাই অমদি থেংনরিবা কয়া অদু তাথোক-তাশিন তৌমিন্নগনি। ৱাখল্লোন কয়া অদু স্যের তৌনদুনা ঈং-তপ্পা অমদি চাউখৎপদা মাঙজিল থাবা পুরক্নবা মীৎয়েং থল্লি। অসিগুম্বা কনভেন্সন অসি পাঙথোকপসিনা লমদমশিং অদুদা লৈরিবা মৈতৈ-পাঙলশিংনা থেংনরিবা হীরম কয়াগী মতাংদা খঙমিন্নবগী অচৌবা তাঞ্জা অমসু পীগনি। থৌরম অসি শীন্নবা হোৎনবদা মণিপুর লৈঙাক্লসু কোওপরেসন নীংথিনা পীরি। মসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী হৌরকপদা অমোকোক্কী প্রসিদেন্ট এস এম জলালনা অমোকোক্না চৎমিন্নরিবা লূপ ১৩ গী থৌ পুবশিংদা লেংয়ান ফি খুদোল তমদুনা ঈকায় খুম্নখি। অমোকোক্কী এদভাইজরশিংদসু ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মথংগী সেসনদা বাংলাদেশতগী লাকপা মৈতৈ-পাঙলশিংগী দেলিগেটশিং শরুক যাদুনা কোলোকিয়ম পাঙথোকখি। মদুদা মণিপুরী মুস্লিম কম্মিটি, বাংলাদেশকী মীহুৎশিং মথংশিংনা কমল ৱাসিন, এম দি সাহজুদ্দিন, অব্দুল কয়ুম, ফজুল হক, এদভাইজর কয়ুমউদ্দিন, অব্দুস, এম দি অমজাদ আলি, অনুৱার হুসেন, খুর্সিদ আলি, এম দি সাহেবউদ্দিন, এম দি সেজুদুল রেজোৱাল অমদি জেদ পি মোত্রামানা দেজদা ফমখি।

## য়াইস্কুল খ্বাইরাকপম, সঙ্গাইজাওবী, নিমাইচরননা ইবা তোঙান-তোঙানবা লাইরিক অহুম ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): খুরাইজম নিমাইচরননা ইবা *হে নুংশিবা! করিগুম্বদসু নঙনা কনাদসু অসুম্না*, য়াইস্কুল খ্বাইরাকপমনা ইবা *হিয়াইরোল* অমদি চিঙ্গাংবম শঙ্গাইজাওবীনা ইবা *নোংজু নঙনা* হায়না মিংথোনবা লাইরিক অহুম ঙসি মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা ফোঙখ্রে।

ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জেলূপ (ইমাখোল) অৱাং পোৎশংবমনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা সাহিত্য একাদেমীগী জেনরেল কাউন্সীল মেম্বর প্রোফেসর যোদ্ধচন্দ্র সনসমনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি ইমাখোলগী প্রসিদেন্ট ডা. রাজকুমার গুনচন্দ্রনা থৌরম মপু ওইখি। সী ৱেভস মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সলাম তোম্বা অমদি সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী ডা. শগোলশেম লনচেনবা মীতৈনা লাইরিক মশক তাকখি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা প্রোফেসর যোদ্ধচন্দ্র সনসমনা হায়খি, ইমাখোল অসি হৌজিক য়াম্না চেকশিল্লে। লাইরিকসু য়াম্না ফজনা পুথোকপা হৌরে। ঙসি ফোঙলিবা লাইরিকশিং অসি অহল অহুমগীনি। ওজা নিমাইচরনগী রোমান্টিক লভকী ৱারীনি। ট্র্যুসনদা য়াওবী মহৈরোয়গা মরী লৈনরকপগী য়াম্না নুংশিবা থুংনখিদবা, নুংশিবদি অদুম লৈহৌবগী ৱারীনি। ওজা য়াইস্কুল খ্বাইরাকপমগী ৱারী অসি অর্কাইবসতা থমহৌবা য়াবা লাইরিক অমনি। ওজা সঙ্গাইজাওবীগী মীতৈ-ময়েক্তা ইবা শৈরেং-লাইরিক অসিসু য়াম্না ফজবা অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হিয়াইরোলগী অইবা য়াইস্কুল খ্বাইরাকপমনা ফোঙদোকখিবদা, শিনফম ওজা ওইনা লৈরম্বনি। ফোঙখ্রবা লাইরিকশিংদি, সেকমাইদা পোকপা শিবা (ৱারেং), ফিজিনুংগী কুন্দো পরেং, বি এম (ৱারীমচা), শিরোই লিলি, ফিজোলসি হোংলরোই ইমা, ফিজোলসি হোংলরোইদা ইমা (ৱারীমচা), খামুং লম্বী/নোঙ্গা লম্বী, হিয়াইরোল, পুন্সি ঈচেল্লক্তে, লৈইসিগী ৱাংমদা, বাংলাদেশকী থোইবী, বাংলাদেশকী সনা তম্ফা অসিনচিংবা লাইরিকশিং অসি ফোঙখ্রে হায়খি।

হে নুংশিবা করিগুম্বদসু নঙনা কনাদসু হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা খুরাইজম নিমাইচরননা ফোঙদোকখিবদা, হান্নদগী লৈরকপা পুক্লিংগী অপাম্বা কয়া উৎথোকখি। পুন্সিগী অহানবা অমসুং অরোইবা ওইরগদবা নুংশি ৱারী অদুগী মখল অমা ওইনা লাইরিক অসি মিংথোল্লগা পুথোকপনি। ৱারী অসিগী পরিং তুংইন্না হায়রবদা মরাল লৈতে খঞ্জবা কনাগুম্বা অমগী থম্মোয় নুংশিবা হায়বদুগী মফমদা মশাগী পেঞ্জদবা ৱাকৎ অমা থম্বগী ৱাখলনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## লেফ্ট পার্টিশিংগী জেনরেল ষ্ট্রাইক্তা ফাজিল্লুবা মীওই ১৭ থাদোরক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া য়াওনা লেফ্ট পার্টিশিংনা কৌবা জেনরেল ষ্ট্রাইককা মরী লৈননা ফাজিনখিবা সী পি আইগী খোঙজংলোয় অমদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ষ্ট্রাইক শৌগৎপা পুন্না মীওই ১৭ থাদোরক্লে হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি কে ঐচ সুরচান্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দিসেম্বর ১৯ দা সী পি আই য়াওনা লেফ্ট পার্টিশিংনা কৌবা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কা মরী লৈননা ফাজিল্লুবা ১৭ ঙরাং নুমীদাংৱাইরম অথেংবদা থাদোরক্লে। মখোয়শিং অদুদি, সী পি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার, সেক্রেটরিয়ট মেম্বর এন সিংহজিৎ, আর কে অমুসনা, সী পি আইগী নেসনল কন্ট্রোল কম্মিসন মেম্বর এম শখি, খা জিরিদগী ও ইবোতোম্বী, কোন্থৌজম লোকলদগী ডা. থোইবা, অৱাং জিরিদগী বিরমঙ্গোল, নম্বোল লোকলদগী ব্রজকেশ্বর, নম্বোল অৱাংদগী খোইস্নাম অনন্দি, খা জিরিদগী চন্দ্র, নম্বোলদগী ওর্মিলা, কে ঐচ মেরাতোম্বী অমদি লিলোং লোকল কাউন্সীলগী ইস্লাউদ্দিননি।

জেনরেল ষ্ট্রাইক অদুদা সী পি আইনা মণিপুরগী মফম ৩০ রোমদা ৱাকৎ খোঙজং চথখি। ৱাকৎ মীফম চথখিবা মফম খুদিংমক্কী শরুক য়ারিবশিং ফাজিনবগী থৌওং তৌখিদে। অদুবু নম্বোল অমসুং লিলোংগীদি ফাজিনখি। নম্বোলদগী মীওই ১০ ফাখি। অঙকপা মওং অমদা এক্টশিং পানশিনবা য়ানিংদে। নম্বোলদা চথখিবা খোঙজং অদু য়াম্না ঈংনা চিক্না চথখিবনি। লম্বী থিংবা, দুকান থিংবা তৌখিদে। খোঙজং অদু নম্বোল কৈথেলদা ঈংনা চিক্না চথখিবনি। সেক্সন ১২৪(এ) পানশিন্দুনা নম্বোল পুলিস কষ্টদিদা থম্বা হায়বসি য়ানিংদে। সেদিসন চার্জ তৌদুনা সী পি আইগী মরুওইবা মীশকশিং ফাজিনবা হায়বসি লোথুগায়বনি হায়না লৌগনি। মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হন্দনা থম্নবা অকনবা থৌদাং য়ারকপা সী পি আইগী মেম্বরশিংবু ফাজিন্দুনা মরম চাদবা সেক্সন পানশিনবা অমদি জেলদা থম্নবা হোৎনবা হায়বসি মরম চাদে।

কমরেদ সিংহজিৎ, আর কে অমুসনা, নুপী কৈথেলগী লুচিংবী রঞ্জনা, ওক্রম নির্মলা অমদি লোংজম প্রেমিলা লোয়ননা এম দি ইস্লাউদ্দিনসু থাদোরক্লে। অদুবু ঙরাং সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারবু জেনরেল ষ্ট্রাইক লোইখ্রবা মতুংদা ফাজিনখিবা অসি সী পি আইনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক্কী ওন্ন-তৈনবা থবক পায়খৎপা হায়বসি অঙকপনি হায়নিংই। অসিগুম্বা থৌওং অসি তৌরোইদবনি। থা অসিগী ১৯ দা সী পি আই য়াওনা লেফ্ট পার্টিশিংনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অদু ঈংনা চিক্না চথখিবনি। ষ্ট্রাইক মনুংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকপসু লৈখিদে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## কাদর ২ ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মাণ্দা অমদি ঙাইখোঙ খুনৌ আর্মি বাট্টালিয়ন য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা নুংসাই পার্ট ৱান অমদি পার্ট টুগী এরিয়াদা থি-হুম্বা চথবদা জেদ য়ু এফ (কামসন গ্রুপ)কী কাদর অনি ফারে হায়রি।

ফারবা মীওই অনি অদুদি জি শান্তি পাউ গোনমৈ (৪৯) অপোকপা জি পৌজাংলুং অমদি রিয়ামৈ দাইনিজিয়ান (৪১) অপোকপা লনশিনলুন কৌই। মখোয় অনি নুংসাই পাট টুদা লৈবনি। বিষ্ণুপুর পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথরি।

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখিবা এদভেঞ্চর স্পোর্টস কোর্স লোয়শিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১(ঐচ এন এস): রিক্স লৌদ্রগদি ঐখোয়গী পুন্সি হিংবদা অৱাবা হায়বদু ওইগনি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিকেল ইদুকেসন এন্দ স্পোর্টস সাইন্সনা শিন্দুনা থা অনী চুপ্পা পাঙথোকখিবা এদভেঞ্চর স্পোর্টস কোর্স লোয়শিনবগী থৌরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চলর জর্নেল সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মীওইবগী পুন্সিদা এদভেঞ্চর স্পোর্টসনা থেংখাঙ কয়াদা অচৌবা মতেং পীবা হায়বদু ওইরি। মফম খুদিংদা করম্না হিংবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়বনচিংবা তম্বগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। লোয়ননা মহাক্না মতম অমদা খেনজোয় খুনদা লৈরুবা মতমদা থেংনরকখিবা অৱাবশিংসু মীয়ামদা পাউদমখি। থা অনী চুপ্না পাঙথোকখিবা কোর্স অদুদা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং নাগালেন্দগী মহৈরোয়শিং য়াওনা পূন্না মহৈরোয় ৬১না শরুক য়াখি হায়রি।

থৌরম অদুদা প্রো. সী ঐচ য়শৱন্তা, প্রো. এম রঞ্জিৎ, বিজোয় ককচিংতাবম, প্রো. এস ঐচ দোরেন্দ্রজিৎ, প্রো. এস ইমোবা, ডা. এল থম্বাল, ডা. এল সন্তোশ অমসুং ডা. কে রোমিওসু শরুক য়াখি। এদভেঞ্চর স্পোর্টস কোর্স অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চলর জরনেল সিংহনা সর্টিফিকেট য়েন্থোকখি।

## এদভেন্ট খৃষ্টমাসকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): আইজিএ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ২৬ সেক্তর অসাম রাইফলসকী মোরে বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী টি মিনৌ ভিলেজদা ভিলেজ চীফ অমদি সেক্রেটরিশিংগী মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা এদভেন্ট খৃষ্টমাসকী থৌরম পাঙথোকখ্রে। এদভেন্ট খৃষ্টমাসকী থৌরম অদুদা ভিলেজ চীফ অমদি সেক্রেটরিশিং য়াওনা খুঞ্জা কয়ানা শরুক য়াখি হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ২৭ সেক্তর অসাম রাইফলসকী কংবাই বট্টালিয়ন্না শীল্লগা গয়া, বিহার অমসুং কোলকাটাদা নেসনল ইন্টিগ্রেসন টুর চৎকদবা চুড়াচান্দপুর অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মহৈরোয়শিংগী ওইবা নেসনল ইন্টিগ্রেসন টুর অমা ঙসি লমথাখ্রে। টুর অসিদা শরুক য়ারিবা মহৈরোয়শিংনা গয়া, বিহার, কোলকাটাদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কলচরেল অমসুং পুৱারীগা শাগোন্নরিবা মফমশিংদা চৎকনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

## দেমোক্রেসনগা লোয়ননা উৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী অমসুং জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীনা শীন্দুনা একাদেমী অসিগী হোলদা ঙরাংদগী চথরকপা সেমিনার ওন মণিপুরী দান্স এন্দ ম্যুজিক্কী ঙসি নীনি চনবা নুমীৎতা দেমোন্সত্রেসন য়াওনা দান্স এন্দ ম্যুজিক্কী হীরম কয়া উৎপগা লোয়ননা অখঙ-অহৈ কয়ানা পেপর পাথোকখ্রে।

সেসন অহুম থোক্না পাঙথোকপা সেমিনার অদু কম্মিটিগী চ্যেরমেন প্রোফেসর এন তোম্বীনা হৌদোকখি। অহানবা সেসনদা এ চিত্রেশ্বরনা চ্যের লৌখি। এস থানিল অমদি এল লাকপতি, ঈ চাওবলনা পেপর পাথোকখি। অনীশুবা সেসনদা মোদর্ন কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. রাইখাননা চ্যের লৌখি। অলুনা কবুইনি, রিটয়ার্ড গুরুহন, জে এন এম দি এনা কবুই ফুরুপকী জগোয় অমসুং ঈশৈ হায়বা হীরমদা পেপর পাথোকখি। জে এন এম দি এগী গুরু ত্রাইবেল বেসি ফোজে মাওনা দি চেঞ্জিং ইরা ওফ মাও কলচর এন্দ ট্রেদিসনল ফোর্ম ওফ দান্স এন্দ ম্যুজিক হায়বা হীরমদা চে পাথোকখি। রিটয়ার্ড দিরেক্টর টি আর আই ইম্ফাল প্রোফেসর ঐচ কামখেন্থাংনা পর্ফোমিং আর্ট ওফ পাইতে দান্স এন্দ ম্যুজিক হায়বা হীরমদা চে পাখি।

## মণিপুরগী ওইনা য়াম্না মরুওইরিবা শুমাং লীলা অসি পোলিসী প্রোগ্রামগী মখাদা চাউখৎনবা হোৎনবা চঙই : করাম শ্যাম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): শুমাং লীলা অসি পোলিসী প্রোগ্রাম শেল্লগা চাউখৎনবা হোৎনবা চঙই হায়না সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা শুমাং লীলা ফোর হ্যুমেনিটি হায়বা থীমদা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা নুমীৎ ১৫ নি চুপ্পা চথগদবা শুমাং লীলা নিংথম কুম্মৈ হৌদোকপগী থৌরমদা প্রিসাইদ তৌখিবা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, মণিপুর অসি স্পোর্টস অমদি আর্ট এন্দ কলচরনা মশক তাকই। বজেটতা হন্থবদগী ৱারৌবা কয়া লৈরিবসি খঙদবা নত্তে। মণিপুরবু মশক তাক্লিবা মফমশিং অমদি অকনবা মীৎয়েং থমদুনা হোৎনবা চঙই। বজেট চাউনা হাপ্তুনা হোৎনহন্নিংই। শুমাং লীলানা মরাই চাইথরকপা হায়বসি খুন্নাইগী মাঙজবা ওইরিবনি। শুমাং লীলাদি হিংলি অদুগা লীলারোয়শিংদি হিংলিব্রা হায়বা ৱাহং লাক্লে। লৈঙাক্লিবা ঐখোয়সু খঙফম থোকই। পোলিসী প্রোগ্রাম পুথোক্লগা চাউখৎনবা হোৎনবীয়ু। অঙন্বা মতেং পাংগনি। চীফ মিনিষ্টরদা হায়বা য়াবসু হায়মিন্নসি। শুমাং লীলাগী লৈরিবা লম অসি কাউন্সীলদা ওনবীয়ু হায়রিবসি ওনবদা মতেং পাংগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা কাউন্সীলগী একাদেমীক সব-কম্মিটিগী চ্যেরমেন ৱারেপ্পনা হায়খি, আর্ট এন্দ কলচর হায়বসি লৈঙাক অসিনদি তাদবগা চপ মান্নরে। মরোল থোক্তনা লৈরিবনি। শুমাং লীলাবু শৌগৎতুনা পূক্লিং থৌগৎপীয়ু। শুমাং লীলা হায়বসি মীয়ামগা শাগোন্নবা মরম্না য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

শুমাং লীলা কাউন্সীলগী সেক্রেটরি নিলাচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, লীলারোয়শিংনা অহল ওইরক্লগা ৱানা লৈরি। মসিদগী খরদা ওইরবসু কোকহনবা ঙম্নবা লীলারোয়শিংনা চহী ৬০ শুবদা পেন্সন পীনবা লৈঙাক্তা হায়খ্রে। কাউন্সীলনা শোয়দনা পেন্সন পীনবা লেপ্পরে। শুমাং লীলাগী লমদা মপুংফানা চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং চাউই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## নীংশিং হৈপাল থাখ্রে

য়াইরিপোক, দিসেম্বর ২১: মণিপুরদা মলেমগী ওইবা কলচরগী অওনবা অমা কন্না লাক্তুনা মচা-মশুশিংগী মপোক নুমিৎকী থৌরমদা কেক কক্তুনা ঈশৈ-নোংমাই তৌদুনা পাঙথোক্লবা কয়া অদুদগী খরা নথৈরগা মালেমগী অইং-অশাগী খল ঙাকপদা খরাদং ওইরবসু কনবা ঙমগনি হায়বা পান্দমদা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক কেক্রু মথক লৈকায়দা লৈবা কেনেদি চাকপ্রম মীশিগী চহী ৪৩ মপুং ফারকপা অমসুং মহাক্কী মচানুপা অতোনবা চাকপ্রম তোমথিন মৈতৈগী মশাগী চহী ৪ মপুং পারকপাগী মপোক নুমিৎতা য়ুমগী ইংখোলদা নিংশিং হৈপাল হৈনৌ চারা ৭ থাখ্রে।

## দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা লাইব্রেরীশিং চাউখৎনবা হোৎনবগা লোয়ননা বজেটতা হাপ্লগনি : শিবদাস

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা হাংলিবা লাইব্রেরীশিং চাউখৎহন্নবা হোৎনরগনি। বজেটতা হাপ্তুনা অৱাৎপা লৈরিবশিং মেনশিন্নবা হোৎনরগনি হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর শিবদাসনা ঙসি অর্কাইবসকী হোলদা পাঙথোকখিবা সেমিনার হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

রাজা রাম মোহোন রোয় লাইব্রেরী ফাউন্দেসন কোলকাটা, দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর অমদি মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসন্না শীন্দুনা লাইব্রেরীজ এট দি ক্রোস রোদ ইনোভেট এন্দ মেক সষ্টেনেবল হায়বা থীমদা নুমীৎ নীনি চথগদবা সেমিনার হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এ শিবদাসনা হায়খি, লাইব্রেরী হায়বসি মখল কয়া লৈ। খেন্নবা কয়াসু লৈ। লাইব্রেরী হায়বসিদা খুম্মাং চাউশিনহন্নবা হোৎনবদা পুন্না শরুক য়ামিন্নবা চঙই। হৌজিক্কী অঙাংশিংনা বেঙ্গোলি ময়েক খঙদ্রে। অহলশিংনা অমুক মীতৈ ময়েক খঙদ্রে। বেঙ্গোলি ময়েক অসি করম্না দিজিটেলাইজ তৌগনি হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। বেঙ্গোলি অমসুং মীতৈ ময়েক অনীমক্তা দিজিটেলাইজ তৌবনা ফরি। লৈঙাক অমদি মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নবা চঙই।

হৌজিক মণিপুরগী ওইবা মীৎয়েংদা লাইব্রেরী হায়বসি দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা লৈ। কুমজা ২০২১ ফাওবদা চাউখৎনবা থবক পায়খৎলগনি। দিষ্ট্রিক্টশিংদা ষ্টাফ লৈতে। য়ামদ্রবদা এসিষ্টেন্ট লাইব্রেরিয়ন অমদি চৌকিদার লৈতবা য়াদে। কুমজা ২০২০ অমদি ২০২১ গী বজেটতা হাপ্লগা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা নৈলিট ইম্ফালগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর টি ঐচ প্রামেশ্বরনা হায়খি, হৌজিক্কী মতমদা ইন্টর্নেট কম্প্যুটরগী খুদোংচাবা কয়া লাক্লে অদুবু লাইব্রেরী হায়বসিদি য়াম্না মরুওই। লাইরিক পাবগী মহাওগা কম্প্যুটর পাবগী মহাওগা খেন্নবা লৈ। টেক্নোলোজিনা ফনা চাউখৎলবসু লাইরিক পাবগী মহাওদি য়ৌরোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কাংজম চাওবনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

## লম-তূ শেংখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ২৬ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসকী মোরে বট্টালিয়ন্না মোরে অমদি তমুগী সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসনগা খুৎশম্নদুনা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরগী মোরে টাউনদা লম-তূ শেংবগী দ্রাইভ চথখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লম-তূ শেংবা অদুদা লোকগী মীয়াম, সিক্যুরিটি ফোর্সশিংসু শরুক য়াখি। ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্দশিপ গেট নম্বর-টুগী মনাক্তা লম-তূ শেংখি। বোর্দর এরিয়াদা অমোৎপা কয়া পৈশিন্দুনা লৈবশিং দোজরনচিংবা শীজিন্নদুনা লৌথোকখি। অসিগুম্বা থৌরম অসিনা মায়কৈ অনীগী মরক্তা ঈং-তপ্পা অমদি হকচাং ফনা লৈবগী পাউজেল অদু শন্দোক্লি।

## ষ্টেট লেভেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): নোংমগী ওইবা ষ্টেট লেভেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওদিটোরিয়মদা মণিপুরগী লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, মতম শাংনা ঙাইদুনা লৈরল্লবা লোক অয়ুক্তা ইন্ট্রোদ্যুস তৌখ্রে। এন্টি করপসন ওম্বুদমেন্ট ওর্গনাইজেসন অসি গভর্ণমেন্ট ওফিসরনা অরানবা থৌওং চথরকপদা সিটিজনশিংনা পুখৎলকপা গ্রিভান্সেসশিং ইনভেষ্টিগেট তৌনবা য়াম্না মরুওইবা অমনি। ইনষ্টিট্যুট অসিগী খুথাংদা সিটিজনশিংনা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মথক্তা কমপ্লেন থাঙ্গৎপা য়াই। পব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসনগী ফঙ্কসনিংদা লাপসেস লৈরবদি কমপ্লেন থাঙ্গৎপা য়াই। গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংগী মথক্তা থাঙ্গৎপা য়াবা অমনি। ওম্বুদমেন্ট হায়বসি দিমোক্রেসিবু মিনিংফুল ওইনা থম্নবা য়াম্না মরুওইবা দিভাইস অমসুনি। দিমোক্রেসিগী অচুম্বা স্পিরিট অদু মেন্টেন তৌনবা য়াম্না মরুওইবা অমনি। তোঙান তোঙানবা ওর্গানশিংনা ইন-জষ্টিস ওইবা থবকশিং তৌরকপদা ইন্দিভিজ্যুএলশিংবু প্রোটেক্ট তৌনবা য়াম্না মরুওইবা অমনি। লোগী মথক্তা কনাগুম্বা অমত্তা লৈতে হায়বসি ঐখোয়না কাউদবা তাই। দিমোক্রেসিগী স্পিরিট অদু নীংথিনা ঙাক্না চৎনবা হোৎনবা য়াম্না মরুওই। গ্রিভান্সেস কয়াগী সোল্যুসন পুরক্নবগীদমক ওম্বুদমেন্ট হায়বসি সোল্যুসন অমনি। লোক পাল লোক অয়ুক্তা এক্টকী মখাদা লোক অয়ুক্তা অসি কম্মিসন তৌবনি। মসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী য়াম্না অচৌবা এচিভমেন্টশিংগী মনুংদা অমনি। লোক অয়ুক্তা হায়বসি দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈনবগীদমক য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা লোক অয়ুক্তা মণিপুরগী চ্যেরমেন জষ্টিস টি নন্দকুমারনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ জষ্টিস কে ঐচ নোবিন, লোক অয়ুক্তা মণিপুরগী মেম্বর অমৈ সিংহ লুইখম, রিটয়ার্ড আই এ এস অমদি লোক অয়ুক্তা মণিপুরগী মেম্বর জষ্টিস বি দি অগরৱালসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।




